এম বি এ না তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা মাস কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর বাবরস এসোসিয়েসন (এম বি এ) না লমদমসিদা থোক্লিবা থা ১৮ ফাজিল্লক্লবা ইরাং অসি অথুবদা লোয়শিল্লু, পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দশিং তৌবীগনু, মণিপুরগী নেসনেল হায়ৱে নম্বর ২ অমদি ৩৭ দা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্মু অমদি পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না হেনগৎলক্লিবসি থীংউ হায়বা দিমান্দশিং তৌরদুনা ঙসি ইরাবত ভবনদা মাস কেম্পেইন অমা হৌদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা পাঙথোকখিবা কেম্পেইন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমার, সেক্রেটরি কে ঐচ শামুঙৌ, এম বি এ গী সেক্রেটরি পাপু থাকুর, রোশন থাকুরনা মীফমলোয়শিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমসিদা এল সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মমাং চহীগী মে ৩ দগী লমদমসিদা ঙসি ফাওবা থোক্লিবা ইরাংসিনা মরম ওইরগা শুরি নোল্লিবা মীচম মীয়ামদা মখল কয়াগী অৱা চৈথেং পীরি। মসিগী মথক্তা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিংনা অমুক্কা হেন্না অৱা মায়োক্লরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবদা থা ১৮ চংশিল্লক্লবা ঈরাং অসি পোলিটিকেলগী ৱারোইশিন অমা পুরক্তুনা লমদমসিগী ঈং-চিকপা তংদু লৈতাবা পূন্সি অদু পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনখি।

লানসিগী অৱা-চৈথেং নংলিঙৈ চৈরকসিদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেনখায় থুমখাই তৌরিবা অসি অথুবদা মরী লৈনবশিংনা লেপ্পীয়ু। মণিপুরগী মরুওইরিবা হায়ৱে অনীসিদা চেল্লিবা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী হায়ৱে অনীসিদা মতিক চাবা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরক্লিবসি অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু।

পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না হেনগৎলক্লিবসিনা শিন্নীশিংদা অৱা-চৈথেং পীরি। মসিদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংদুনা অৱাবশিং কোকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

কে ঐচ শামুঙৌনা হায়খিবদা হৌজিক লমদমসিগী ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিনা ইরমদম মণিপুরদা লৈরিবা মীচম মীয়াম মখল কয়াগী অৱা-চৈথেং ফংদবা নত্তে। মরম অসিনা হায়রিবা দিমান্দশিং অসি মখা তানা তৌবীদনবা মরী লৈনবা পুম্নমক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। হৌজিক পোৎ-চৈগী মমল শাথিনা ৱাংখৎলক্লিবসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংদুনা চানবা মমলদা ফংহনবীয়ু।

লমদমসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসি অথুবা মতমদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লমদমসিগী তংদু লৈতাবা পূন্সি অদু হঞ্জিলহল্লু। মতমদুদা লমদমসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা মখল কয়াগী খুদোংচাদবশিং কোকপা ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা কেম্পেইন অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চখুনবা ঙসিগী মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

সী পি আই না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : থাংমৈবন্দ কাংজাবি লৈরক্তা লৈবা থাংমৈবন্দ লোকেল অমদি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সী পি আই গী অচংবা মেম্বর অমা ওইরম্বা অদুগা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর ওইরম্বা কমরেদ সোরোখায়বম ইবোমচা (৭৯) মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবদা সী পি আই না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবগী য়ুমদা পার্টি গী হান্নগী সেক্রেটরি কমরেদ এল সোতিনকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কমরেদ এল জয়কুমার লুৱাং, ইগজিকুটিব মেম্বর কমরেদ টি ঐচ সুরেস, কাউন্সিল্লর আই তোম্বা অমদি কমরেদ এদভোকেট শামুঙৌনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা থৌনিখি। পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লৈখিদ্রবনা পার্টিগী অমদি মণিপুর খুন্নাইগী লৌরম্বা থৌদাংশিং শিংথাখি।

মাষ্টেককী ফুদ প্রোসেসিং অমদি ভেল্যু এদ্দিসনগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : ফুদ প্রোসেসিং অমদি ভেল্যু এদ্দিসনগী মতাংদা নুমিৎ ৭ নি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী নুপীশিংতগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা রেসিদেন্সিয়েল স্কিল দিভেলপমেন্ট ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোয়শিন্দুনা শকখঙ চে য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সিল (মাষ্টেক) না শিন্দুনা তাকয়েল পাৎতা লৈবা লোয়শঙ অসিগী ত্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মাষ্টেককী সেনিয়র সাইন্টিফিক ওফিসর ডা. কে ঐচ রাকেশনা হায়, চীংদা পানবা উহৈ, মনা-মশিং কয়া য়োনফম লৈতবদগী পৎথ-পুমথদুনা মাঙলিবা অসি মাঙহন্দনা ভেল্যু এদ্দিসন পীরগা চান-থক্লবা পুথোক্লবগী পান্দমদা ত্রেনিং অসি চথুরকখিবনি।

উহৈ অমদি মনা-মশিংশিং অসি হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইরোইদবা মওংদা শেমদোক শাদোক্তুনা অচার-মিথাই অমদি হৈ মহিনচিংবা শেল্লবদি শেন্থোক লন্বী লৈদুনা শেন্মিৎলোনদা মতেং ওইগনি হায়খি।

চহী খরগী মমাংদগী লেপ্তুনা চথুরকপা ত্রেনিংসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী ত্রেনি ২৫ না শরুক য়াখি। ত্রেনিং অসিগী মনুং চন্না ত্রেনিশিংনা মিথাই মখল কয়া, হৈ মহি, বেবরেজ মখলশিং অমদি বেকরিগী আইটেম য়াওনা পুন্না আইটেম ৩৬ পুথোকপা ঙমখি। ঙসি লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী সেক্রেটরি হুংয়ো ৱোরশাং, জোইন্ট সেক্রেটরি চিংঙাখম শচি অমদি মাষ্টেককী দাইরেক্টর ডা. এল মিনকেতনসু শরুক য়াখি।

আর এস ঈ টি আই গী ত্রেনিশিংনা শাবা পোৎলমশিং য়োনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই) রুরেল সেফ এমপ্লোয়মেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুটতা স্কিল দিভেলপমেন্ট পীননবা পাঙথোকখিবা ত্রেনিংদা শরুক য়াখিবা ত্রেনিশিংনা শাখিবা পোৎলমশিং য়োনবা হৌখ্রে।

ঙসি তাকয়েল ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেটতা পাঙথোকখিবা পোৎলমশিং য়োনবগী থৌরমশিং অদুদা এস বি আই, আর এস ঈ টি আই গী দাইরেক্টর য়ুমখায়বম দেবাননা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টকী মীৎয়েং মখাদা এস বি আই না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কুমজা ২০২৩ গী ওগষ্ট থাদগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিল ত্রেনিং কয়া পাঙথোক্তুনা লমদমসিগী নহারোলশিংদা কান্নবা ফংহনখ্রে। লৈবাকসিদা লৈরিবা থবক ফংদ্রিবা নহারোলশিংবু মশা-মশানা থবক পীজদুনা শেন্থোক লন্বী লৈননবা অমদি ওন্ত্রপ্রেনর অমা ওইননবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

পাঙথোকখিবা ত্রেনিংশিংদা শরুক য়াখিবা ত্রেনিশিংনা শারম্বা পোৎলমশিং অদু ঙসিদগী য়োম্লোকপা হৌবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রামসিদা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নহারোলশিং অমদি অসামদগী লাকপা মীওইশিংসু শরুক য়াখি। ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ৩৬০ রোমদা তোঙান তোঙানবা স্কিল ত্রেনিংশিং ফংহনখ্রে।

ত্রেনিংসিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মানা মানা হৈখিবা স্কিলশিংদা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা শেন্মিৎলোন ফগৎনবা হোৎনরসি। মীপাল তাংদবা লমদম অমা হায়বদু ওইননবা ইশানা থবক পীদুনা শেন্থোক লন্বী লৈনবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

অচম্বা খুদোল পীদুনা মচিন মৌপ্পাগী নুংশিনবগী মরী চেৎশিলহল্লসি ঃ দব্লিউ এম সী

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : নিঙোল চাক্কৌবনা লাকপদা মবুং-মৌপ্পা নুংশিনবগী মরী চেৎশিলহনবা, ঈং-তপ্পা তংদু লৈতাবা লমদম অমা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসিদা ইচল-ইচে নিঙোল ওইবীশিংদা মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা ইশাগী ইরমদমগী পোথোক্লা অচম্বা খুদোল পীদুনা মচিন মৌপ্পাগী মরী চেৎশিলহল্লসি হায়না ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিউ এম সী) মণিপুর য়ুনিটকী প্রিসিদেন্ট উরিকখিনবম কুঞ্জোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা মমাং চহীগী মে ৩ দগী থোরকপা ঈরাংসিনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং ৬০ গী মথক্তা ময়ুম-মকৈ মাঙ তাক্তুনা মরমদমদা রিফ্যুজি ওইহন্দুনা রিলিফ কেম্পতা ঙসি ফাওবা চংজফম লৌদুনা অৱা-মৈশা খাঙলি। ঙসিদি খুন্নাই লোল, শেন্মিৎলোন অমদি পূন্সিরোলদা খমথেংনা অৱা-চৈথেং পীরি। দ্রাইভর, হেন্দিমেন্টনা মশাগী শিনফম ওইজরম্বা মীওই কয়া শুফম নোমফম খঙদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। লৌউবনা শিনফম ওইজরম্বা মীওই কয়ানা লৌফম চংবা য়াদবনা মরম ওইরগা শেন্থোক লন্বীদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি।

পুম্নমক অসি কোক্লনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংবীয়ু। লাই হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা মবুং-মৌপ্পাগী মরী চেৎশিলহনবা নিঙোল চাক্কৌবা হৌখিবা চহীদা লমদমসিগী তংদু লৈতাদবা ফীভম্না পাঙথোক্লখিদে।

মবুং-মৌপ্পা ওইবা কয়ানা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইনমেটশিংনা শাজবা পোৎলমশিং লৌবীদুনা ইচে-ইচলগী খুদোল ওইনা তন্বীদুনা ইনমেটশিংগী শেন্থোক লন্বীদা মতেং পাংবীয়ু। নিঙোল চাক্কৌবা নুমিৎসিদা ইরমদমগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংবুসু ঐখোয় পুম্নমক্লা নিংশিংমিন্নসি।

CROSSWORD-4294

1		2		■	3	4		5		6		7
	■		■	8	■		■		■		■	
9							■	10				
	■		■		■		■		■		■	
11					■	12						■
	■	■	■		■		■	■	■		■	13
14		15				■	16	17				
	■		■	■	■	18	■		■	■	■	
■	19			20			■	21		22		
23	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						
	■		■		■		■		■		■	
26								■	27			

ACROSS
1. Doing nothing(4)
3. Trader(8)
9. Fingerless gloves(7)
10. Heavenly being(5)
11. Male singing voice(5)
12. Football or cricket team(6)
14. Garbage(6)
16. A sculptor's work(6)
19. Sickness(6)
21. Competitor(5)
24. Passenger ship(5)
25. Rumour(7)
26. Alone, without company(8)
27. Famous public school(4)

DOWN
1. Unripe(8)
2. Caesar's language(5)
4. Festival in spring(6)
5. Machine for lifting(5)
6. Increase(7)
7. Cash register(4)
8. Striped animals(6)
13. Methodist(8)
15. Face-cloth(7)
17. Deposit that forms on teeth(6)
18. Male parent(6)
20. Swagger(5)
22. Call upon(5)
23. Expression of woe(4)

Solution of 4293

■	■	1 A	F	2 T	E	3 R	W	4 A	R	5 D	S	■
6 I	■	R	■	I	■	O	■	P	■	I	■	■
7 N	E	G	L	E	C	T	■	8 P	I	T	Y	■
C	■	U	■	D	■	T	■	R	■	T	■	9 W
10 O	B	E	Y	■	11 D	E	M	O	L	I	S	H
R	■	■	■	12 F	■	R	■	V	■	E	■	I
13 R	E	14 P	A	I	R	■	15 C	E	N	S	U	S
E	■	E	■	N	■	16 P	■	D	■	■	■	P
17 C	O	N	T	I	N	U	E	■	18 A	19 N	T	E
T	■	S	■	S	■	D	■	20 B	■	E	■	R
■	21 N	I	G	H	■	22 D	I	O	C	E	S	E
■	■	V	■	E	■	L	■	S	■	D	■	D
■	23 N	E	E	D	L	E	S	S	L	Y	■	■

উচেক ফানবা হোৎনরম্বশিং চৈরাক পীরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : নিংথমথাগী মতম য়ৌরকপনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা পাৎশিংদা মীরমদগী পাইরকপা উচেকশিং চাক্তারবা হৌরে। মরমসিনা কনাগুম্বশিংনা লাং থাক্তুনা, তিলহাৎ হিদাক অমদি নোংমৈনচিংবা শিজিন্নদুনা লম্লক্কী উচেকশিং ফাবীগনু। করিগুম্বা হায়রিবা থৌওংশিং অসি চখুদুনা লম্লক্কী উচেক ফানবা হোৎনরল্লবদি লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগনি হায়না ৱাইল্দ লাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি কঞ্জার্ভেশন কম্মিটি (দব্লিউ বি সী সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি নিংথৌজম রোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। কম্মিটি অসিগা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা খুৎশম্নদুনা উচেক লাং থাকপশিং অমদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম মাঙহন্নবা হোৎনরকপশিংগী মথক্তা চখবা দ্রাইভ কনশিল্লগনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল ওফ ক্লাসিকেল মণিপুরী সোলো দান্স লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, খুমন লম্পাক্লা শিন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা থা অসিগী ২৭ তগী চথুরকখিবা ফেষ্টিভেল ওফ ক্লাসিকেল মণিপুরী সোলো দান্স ২০২৪ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিৎতা তপাস্যা, এ সেন্টর ফোর পার্ফোর্মিং আর্টসকী নিংথৌজম বিদ্যা, সেন্টর ফোর য়ুথ এন্দ কলচরেল এক্টিভিটিজ কী লৌরেম্বম বিদ্যাসোরি, প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরিগী লৈচোম্বম সপনা অমসুং জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী তখেল্লম্বম পিয়াইনুগী নাইতোম জগোইশিং উৎখি।

EMPLOYMENT NEWS

1. UBI Local Bank Officer Recruitment 2024: Apply Online for 1500 Posts - Notification
Union Bank of India Local Bank Officer 2024-25: The Union Bank of India (UBI), A Government of India Undertaking invites online applications from any Graduate Indian Citizens for recruitment of 1500 Local Bank Officers (equivalent to Probationary Officer) in various branches of Union Bank of India, All Over India. The UBI Local Bank Officer Vacancy 2024 Online Registration start from 24th October 2024 to **13th November 2024**.
* Eligible Candidates should apply online through UBI Local Bank Officer 2024 - IBPS Online Application Portal. The candidates should fill basic, personal and educational details.

2. UIIC AO Recruitment 2024: Online Apply for 200 Vacancies - Notification
UIIC AO Notification 2024 for the recruitment of 200 vacancies in Generalist and other disciplines. The United India Insurance Company Limited (UIIC) (a Government of India Undertaking), Chennai, invites online applications from eligible Indian citizens for the recruitment of Administrative Officer (AO) posts in the Generalist, Risk Management, Finance and Investment, Automobile Engineers, Chemical Engineers / Mechatronics Engineers, Data Analytical Specialists and Legal disciplines. The UIIC AO Apply Online 2024 schedule will start on 15th October and registration scheduled to end on **5th November 2024**.
* Eligible and Interested Candidates should apply online through UIIC IBPS Online Application Portal at **www.uiic.co.in**

3. COH Gujarat Staff Nurse Recruitment 2024: Notification for 1903 Posts, Online Form
Government of Gujarat, Commissioner of Health (COH), Medical and Medical Education (Medical Services), Gandhinagar has published recruitment notification for the post of Staff Nurse Class-III for filling up 1903 vacancies on 05 years probation period in in government hospitals and public health centers under its jurisdiction. Eligible Interested Nursing graduates or GNM candidates apply online through Gujarat Online Job Application System (OJAS) from 5th October 2024 to **3rd November 2024**.
* Eligible Interested candidates may apply online through Gujarat Online Job Application System (OJAS) website.

4. Odisha Police Recruitment 2024: Apply Online for 1360 Sepoy, Constable Posts | opolice.cbexams.com
Odisha Police Sepoys Constables Notification 2024 Out: The State Selection Board, Odisha Police, is set to recruit 1360 Sepoys/ Constables for various OSAP, IR, SIR, and SS Battalions. A comprehensive advertisement detailing eligibility criteria, including age requirements, educational qualifications, category-wise vacancies for each Battalion, examination modes, plans, and How to apply available in the page. The last date for registration of online applications is **30th October 2024**.
* Eligible candidates should submit Online Application Form through Odisha Police Junior Clerk 2024 Online Registration Portal (**opclerk.cbexams.com**). Filling out the online form consists of the following steps:-
Step 1: Fill the personal details. Step 2: Fill the qualification details.
Step 3: Documents Upload: scanned images of photograph,signature and thumb impression

5. ITBP Constable Driver Recruitment 2024: Apply Online for 545 Vacancies
ITBP Recruitment for the post of Constable Driver 2024-25. The Indo Tibetan Border Police Force (ITBP), Government of India invites online applications from eligible Male Indian Citizens (including subject of Nepal and Bhutan) for fill up total 545 vacancies of Constable (Driver) Group 'C', Non Gazetted (Non-Ministerial) positions on temporary basis likely to be permanent in ITBPF. Eligible candidates apply online via ITBP Recruitment Portal recruitment.itbpolice.nic.in from 8th October 2024. The last date for registration of online applications is **6th November 2024**.
* Eligible candidates should apply online through ITBP Recruitment Portal (**recruitment.itbpolice.nic.in**) from 8th October 2024. The candidates must create New Registration to apply any ITBP Job Vacancies.

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯹ (ꯑꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5656

3			2				9	7
1				3		8		
4					6			
				1		9		
	4	5	8		3	7	1	
		1		4				
			6					3
		4		2				9
5	8				9			6

Solution of 5655

5	3	4	7	6	1	9	2	8
8	7	9	5	2	3	1	6	4
2	1	6	4	9	8	5	7	3
7	8	5	9	4	2	3	1	6
1	9	2	6	3	5	4	8	7
6	4	3	1	8	7	2	5	9
9	2	1	8	7	4	6	3	5
4	5	8	3	1	6	7	9	2
3	6	7	2	5	9	8	4	1

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



CHANAKYA
IAS ACADEMY
Nurturing Leader of Tomorrow
SINCE-1993
CHANAKYA IAS ACADEMY
THE ONE & ONLY NATIONAL BRAND OF NORTH-EAST
MPSC MAINS - 100 hrs
SUPER BATCH
Preparation through Question Answer Analysis Method
for ESSAY + GS I + GS II + GS III + GS IV
+ Answer Writing Technique
Stand Out In The Crowd
Class Starting from 4th Nov. 24 ADMISSION OPEN
South Babupara Airtel Building Imphal ☎ 6909907134
All Prominent & Experienced faculties of Delhi are
Now in IMPHAL!
COMPLETE SOLUTION FOR UPSC
CSE PRELIMS+MAINS+INTERVIEW
- Who have Delivered Thousands of Results in Civil Services Exams
HL-B/9074/24 Sept to 31 Oct



CHANAKYA IAS ACADEMY
THE ONE & ONLY NATIONAL BRAND OF NORTH-EAST
UPSC IAS/MPSC
FOUNDATION BATCH
TARGET 2025/2026/2027
FOR 1ST YR | 2ND YRS | 3RD YRS & ABOVE
Optional class Starting on 4th Nov '24
* PSIR * HISTORY * GEOGRAPHY
* PUB AD * SOCIOLOGY * ANTHROPOLOGY
CHANAKYA
IAS ACADEMY
Nurturing Leaders of Tomorrow
SINCE-1993
Booking Open !
Evening Batch (3.40 - 5.40 PM): 4th Nov'24
South Babupara Airtel Building Imphal ☎ 6909907134
All Prominent & Experienced faculties of Delhi are
Now in IMPHAL!
- Who have delivered thousands of results in Civil Services Exam !
HL-B/9105/10 Oct to 8 Nov.


ৱারী মমিং : নোংথাংলৈমা
ইবা অমসুং য়েকপা : সেমসম সলাম
হুইয়েন-লানপাউ ডেলী
ঐগী তেন নহাক য়োৎকি তেন ওল্লো, উচিশিংগী ময়া তেকহল্লো।
অসুম্বা মাগী তেন্দু য়োৎকি ওন্থল্লসগা মহাক তুমসিন্নদুনা লৈখিরম্মী।
উচিশিংসে ঙসিদি ময়াদো ফজরনি, হি হি।
হিংচাবদসু করিসু তৌদবা শাদুনা ইমুংদা তুমিন্না চঙলক্লগী।